# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-27

**(Beneficial impact of Climate change)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) নীংথেম - কোলেজ প্রোফেসার (২) সনাতোম্বা - ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট (৩) চীংথংখোম্বা - পি. জি. ষ্টুদেন্ট

নুপী:- (১) মেমচৌবী - পোইরৈঙানবীগী মমা
(২) পোইরৈঙানবী - পি.জি. ষ্টুদেন্ট

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: মেমচৌবীগী য়ুম, উচেক-ৱায়াগী নুংশিবা মখোল)

মেমচৌবী :- ইচানুপী লৈশাবী লৈ হায়দুনা করিবু কান্নরুনি নোংমতা ঙন্না হৌগৎতুনা ইমুং-মাঙ্গোলগসে শিৎ শেংদুনা, ৱাইগা তৈবীপোৎনৎতে, ঐনা মল্লিঙৈদগী হৌগৎতুনা লৈশাবী মচা শাদুনা কোইনোম নোল্লি, থবক থনা পুন্নমক ... পেল্লেদকো মেমচৌবী ঐগী মপোকসে.... মপানি হায়দুনা তৌরিদুনা ঐখোয়দি হকচাং ফদবা য়াদে, তীনজেল কাইজেনবা য়াদে হায়দুনা মল্লিঙৈদগী হৌগৎতুনা ৱাঙ্কিং চৎলিবনি হায়দুনা হোরেল পুং মাপল তারকান্দা কোলেজ কাবা থেংথ্রনি হায়দুনা হোবে হোবে হঞ্জিলক্কদৌরিবনি।

পোইরৈঙানবী :- ইমা... ইমা... ঙসিগী খবর কদাইদা লৈখ্রগে, খবর লাকঅমদ্রিবা হায়বনি ... খবর কদাইনো হায়বনে ঙসিগী।

মেমচৌবী :- করি অঙাংনোনে মসিবো ফমুংদগী খবর... খবর... হায়দনা হৌগৎলক্লিসিবো, নোংমতা খবর পাদবা মানসু ঙসি অয়ুক অঙনবসিদা খবর হংলক্লিসিবু করি তৌবা য়াওরগে, হা করি পাও য়াওরক্কদবা লৈগেনে।

পোইরৈঙানবী :- ইমা ! ঐখোয়গী ইমান্নবা চীংথংখোম্বগী ময়াম্বা পুনেদা জুনিয়র সাইন্টিফিক ওফিসার ওইনা লৈখিবদো... (স্বর থবেৎ-থবেৎ হোনখৈ ঙাংবা)।

মেমচৌবী :- হোয়নে সনাতোম্বদো... সনাতোম্বা কৈদৌরগে, কৈদৌরে হায়বনো।

পোইরৈঙানবী :- অদুবুরো... উম... হন্দক চহিগী য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ড, দাদা সনাতোম্বদা পীরে হায়য়ে।

মেমচৌবী :- অস ! ঐদি নঙগী নওংদুদা ইপা হেক পাখৎলুরে, করি করি তৌরবোই খনলুরে। সনাতোম্বনা য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ড ফংবদি ফংফম থোকই, মাদি হোৎনবা কনবা য়াম্লসু মতিক চাবা, নহাসু য়াম্না ওইরিবা মীওইনি, মানা ফোংবা রিছার্চ পেপর খরগী মমিংসু ইমা হান্না খবরদা থেংনখরে, মাদি ইরমদমসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি। সে সে নঙনা খবর হায়বদো সিদা লৈরেসে।

পোইরৈঙানবী :- কদায় পীরকও... (খবর ফাকপা)... ইমা য়েংঙু তু সিদা ফোটোগা কোন্ননা য়াওরে।

মেমচৌবী :- হোয়নে, মশক্কা মশক ফজরিবা, লৈবাক্কা শকখঙনরবা সাইন্টিষ্ট অমসু ওইরে, ঐদি ইয়াদুম ওইবু ওইনিংঙিদা, নঙদি করি খল্লিবা।

পোইরৈঙানবী :- ঐখোয় ইমাসিমা, ইমান্নবগী ময়াম্বনি হায়বগী সুম নুংঙাইদনা তৌবসিবু, চীংথংখোম্বনা ফোনদা হায়রকপদুদা ঐসু সুম খবরদু য়েংনিংদুনা তৌবনি।

নীংথেম :- করিনোনে নমা নচানা খবরদুদা অদুক থৱায় য়াওনা য়েংনরিদুবো?

মেমচৌবী :- মোয়বাবা হনদি হঞ্জিনবিরকএদনা, ঐদি লন্বী লমাংনখ্রবোই খল্লুরে।

নীংথেম :- করি নুপীনোনে মসিবো হেক হঞ্জিল্লকপগা হান্না খৎনবা হেক্তা হৌরকপসিবো, মীনা হংবা ৱাদি খুমদেনে, করিনো হায়বনি নোয়না খবরদু অদুক থৱায় য়াওনা পারল্লিদুবো?

পোইরৈঙানবী :- বাবা ! য়েংঙু তু খবরগী ইহান হানবা লমায়সিদা য়াওরিবা ফোটোসি কনানো খৎবরা য়েংঙুনে।

নীংথেম :- কদায়নোনে খবরদু পীরকউনে য়েংগেনে... এ ! সিদি ঐখোয় কোলেজদা তমখিবা য়াম্না ফবা ষ্টুদেন্ট সনাতোম্বগী ফোটোনিনে, খবরসিদা ইরিসিনা করি হায়রিনো (খবর পাবা)... হন্দক চহিগী ওইনা য়ং ষাইন্টিষ্ট এৱার্ড সলাম সনাতোম্বদা পীরগনি হায়না ইন্দিয়ান নেসনেল সাইন্স একাদেমীনা লাওথোকখরে।

মেমচৌবী :- সনাতোম্বসে মোয়বাবাহোয়গী কোলেজদা তম্লমবোরে।

নীংথেম :- য়াম্না ফবা মথৌ মশক খঙবা, ঐনসু য়াম্না নুংশিবা ষ্টুদেন্ট অমনি, নুংঙাইরে ঐখোয়না তম্বীখিবা ছাত্রা অমনা য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ড ফংবসে।

পোইরৈঙানবী :- ঙসাই অয়ুক ঙন্তা চীংথংখোম্বনা মখোয়গী ময়াম্বা সনাতোম্বগী এৱার্ড ফংবগী পাওসে ফোটোগা কোন্ননা খবরদা য়াওবনি হায়দুনা ফোন তৌরক্লমদ্রদি ঐসু পাওসে খংলমলোইদবনি।

নীংথেম :- সনাতোম্বসিবু নখোয়গী নমান্নবা চীংথংখোম্বগী ময়াম্বা ওইরবোরে, ঐদি ঙসিদা নঙনা হায়রকানসিদা খঙম্ভী, মচিন-মনাওনি হায়বদা ওন্থোক্লা খেন্নখরে মবানিদি।

মেমচৌবী :- হোয়নে য়াম্না খেন্নে, ময়াম্বদি লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াম্না য়াওবা হোৎনবা কনবনিনা ঙসি মীয়াম্না পাক পাক ফংনবা ঙমদ্রবা য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ডকাসি ফংলিবনি অদুবু ঐনা সুম উবদা চীংথংখোম্বদি লাইরিক লাইশুদা থৱায় কয়া য়াওবা মান্দে।

পোইরৈঙানবী :- ইমা! চীংথংখোম্বসু মীয়াম্না শকখঙনরবা শান্নরোয় অমা ওইরিসিদি, মানা মানা পামজবা হৈনজবা লমদা মহে চান্নবা হোৎনদুনা মায় পাকপা মীওই অমা ওইবসি নৎতরা ঐখোয় মীওইবনা তান্নরিবসিবু, মীপুম খুদিংমক দাদা সনাতোম্বাদৌনা সাইন্টিষ্ট লোয়না ওইরদি অতৈ-অতৈ থবকশিং অসিদি কনামতা তৌবিনবা মীওই অমতা লৈররোই।

নীংথেম :- চুম্মী ইচানা হায়বা, ইচা পোইরৈঙানবীদি লৌশিং লৈবীনি, মীপুম খুদিংমক মাগী মাগী হৈনজবা শিনফমদুদা মায়পাক্লবা হোৎনগদবনি। অদো ইচাবু এম.এ.সি. জিওগ্রাফি কোর্সসি লোয়রগা মখা করি তৌগে হায়বা।

মেমচৌবী :- মখাগা অমতা তমথবিরনু, থবক অমা তৌননবা তৌরসি লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা অদুম তম লৈরদি পৈশা তানহৌগদবা মতমদা পৈশা তানহৌদ্রবদি হয়েং তুংদা নুংঙাইনা হীংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইগনি।

নীংথেম :- কৈনো মেমচৌবী নঙনা হায়রিবা ৱাদুবো, ইচা মতোমতনি ইচাগী করি ৱাৎকনি, ঐনা খরা তানশিল্লিবা হোৎনরিবসিনা ঐখোয়না হীংবগীদমক্তদি অৱাৎপা লৈররোই, ইচানা তমনিংবা তমসনু, তৌনিংবতা তৌসনু, চৎনিংবা মফমদসু চৎসনু।

পোইরৈঙানবী :- বাবা ! ঐসু ভারতকী মমীং লৈরবী নুপী সাইন্টিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইবা ঙম্নবা, রিছার্চ ৱার্ক কয়া তৌদুনা হোৎননিংঙি, মালেমগী ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি মসিদগী থোরকপা অমাঙবশিং অদুগা কান্নবশিংগী মরমদা থিজিননিংঙি।

মেমচৌবী :- কৈনোনে ইবেন্মা ইমানা তাবদদি মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরক্তুনা মহৌশাগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা থোরকপদগী অমাংবা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লি হায়না অখঙ-অহে কয়ানা হায়নবা ঙাংনবা তাই অদুগা অমুক নঙনা কান্নবশিংগী মরমদসু থিজিননিংঙি হায়রিসিবু ইমাদি ভাবকা অমতা তাদরেদা।

নীংথেম :- মেমচৌবী ! ইচানুপীনা হায়রিবা ৱাফমসে অঙকপা নৎতেকো, হৌজিক মালেমসিগী সাইন্টিষ্ট অয়াম্বনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহল্লকপা অমাংবা কয়াগী মরমদা থিজিনদুনা অমদি মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বসিগী মরমদা মীপুম খুদিংদা খঙহন্দুনা, অমদি খঙহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখরে, হৌজিক অমুক মীওই খরনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মালেমসিদা করি করি কান্নবা পীরকপগে হায়বদুসু থিজিনবগী থবক কয়া চৎথরিবনি।

মেমচৌবী :- খঙজদরে খঙজদরে ঐখোয়দি, নোয় নপা-নচানা থোকপা অদুম তৌজরো, ঐ চাক থেংখ্রনি চাক থোংঙুখিগে।

পোইরৈঙানবী :- বাবা ! ঐসু য়ুনিভর্সিটি চৎকদবনি থেংখ্রনি লোয়শিন্নবা তৌরুখিগে।

নীংথেম :- ফরে ফরে লোয়শিনজরুরো, ইপাসু ইরু মায়থজনবা তৌরুখিগে।

-ম্যুজিক-

(মফম: য়ুনিভর্সিটি, মতম: পুং ১১মুক তারকপা, নুংশা শাগৎলকপা মতম, ছাত্রা-ছাত্রিশিং লাংবগী খোঞ্জেল)

চীংথংখোম্বা :- পুংদি ১১ তারে, পোইরৈঙানবীদুবু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিবো, মাগী অঙনবা ক্লাসতুবু হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিজাৎলনে, কান্টিন মমাংসিদা ঙাইরম্মু অচাপোৎ চামিন্নসি হায়রকপনিনে, ঐদি মাগা অচাপোৎ চামিন্নদৌরবনি খন্দুনা চাকসু চারক্তরে, চাকসু লামশিনলক্লে তৌরিসে (মতোমতা ঙাংজবা)।

পোইরৈঙানবী :- (তুংলোমদগী ঙাংলকপা) কয়াম কুইরগে ঙাইবা, সার চলাম্বগী ক্লাসতু সুংলোয় লোয়শিন্দদনা অদুম তৌ লৈরে, মাগী হৌনবী ঙাংবা হৌখ্রগা অদুম লেপতবীদু তৌ লৈরে অদুদদি ঐসু অদুম থোরকপা য়াদদনা লৈরে, লাকও কৈনামা চারুরসি ঐসু চাক্কা অমতা চারক্ত্রবনি য়ুমদগী। লাকও কান্টিনদা চারুরসি।

চীংথংখোম্বা :- এ ! নঙদি করিগী চাক চারক্ত্রিবা, ঐনা চাক চারক্তবনা চারক্তবনি, নোয় ইমানা চাক থোংবিদ্রবরো চাবা নঙনবা।

পোইরৈঙানবী :- থোংবিদবগী ৰা নৎতেদা ঐনা চানিংদদুনা চারক্ত্রবনি, অদো করি চাসি হায়রিনো হায়খ্রোদনা।

চীংথংখোম্বা :- নঙনা চানিংবা অমা হেক্তা হায়খ্রো, ঐদি ইয়া য়াই অমা হেক্তা চাসি।

পোইরৈঙানবী :- অদুদি চিক্কন ব্রিয়ানি ওইনা হায়খ্রগে, সোমদা চিক্কন ব্রিয়ানি প্লেট অনিগা, কোফি অনিদগা পুবিরকউ।

চীংথংখোম্বা :- ঐসু মথং থাদদি এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারুনবগী ট্রাইয়েল য়াওরুনবা দিল্লিদা চৎলগনি।

পোইরৈঙানবী :- কয়াম কুইনা লৈরক্কদোইনো, ইমানা কনাগা লৈমীন্নহৌদোইনো অদুগা নোয় দাদা সনাতোম্বদি য়ুমদগা অমতা থোক্লকলরোইদরা, সাইন্টিষ্ট অফাওবা ওইখ্রবনিনা য়ুমগা অমতা নীংশিংদ্রবা জাৎলা?

চীংথংখোম্বা :- হন্দক্কী ট্রাইয়েলসিদা খল্লকঅদি মখা তানা মতম খরা দিল্লিদা লৈরগা ঐ থাইলেন্দদা অদুম চৎখ্রগনি অদুগা হন্দক্তি খরা শাংনা লৈরক্কদবা মাল্লি, ঐখোয় দাদাসু ইন্টরনেসনেল সেমিনার অমা দেহরাদুনদা য়াওরল্লগা য়ুমদা লাক্কনি হায়রকই, অদুনা মতম খরদি ইমা মবানি লৈমিন্নজরল্লগনি।

পোইরৈঙানবী :- এ! ঐখোয়দি ৰারি তৌরিঙৈদা চান্নবা থল্লমবগসি অমতা খঙহৌদরে, কোফিসিসু লোয়না ইংলে, থকচীনলো।

চীংথংখোম্বা :- অস ঙসিদি কোফি অইংবা ওইনা থকপা তারবা (কোফি থকপা) অইংবসিনা হেন্নবু হাওরেদা, ব্রিয়ানিদু চারোদনা, কৈদৌরে চাদ্রদি।

পোইরৈঙানবী :- নঙ হান্না চারো অদুগা ঐ চাগে, অদো নোয় দাদানা ইন্টরনেসনেল সেমিনার অমা য়াওরক্কনি হায়দুবু করি মতাংদা তৌগদবা সেমিনারনি হায়গে।

চীংথংখোম্বা :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা ওইরমাল্লে, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী নেগটিব ইম্পেক্টতি সাইন্টিষ্ট অয়াম্বনা খন্নদুনা নৈনদুনা মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী পান্বে কয়াসু খন্না নৈনখরে হৌজিক অমুক এক্সপার্ট কয়া অমনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী পোজিটিব ইম্পেক্ট কয়া অমগী মরমদসু থীজিনবগী থবক চৎথরিমাল্লে অদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা ওপন দিসকসন অমসু তৌগনি হায়।

পোইরৈঙানবী :- অদুদি য়াম্না নুংঙাইগদবা মাল্লি, ঐসু ওপন দিসকসনদু য়াওবু য়াওনিংঙি।

চীংথংখোম্বা :- উম য়াওনিংনি নঙদি, লাইরিক থৱায় য়াওবীনিনা ঐখোয়দি য়াওনিংদে, ঐখোয়গী হায়ববু থীনদৎনবা কাওথৎনবা সিনা মনুংঙাইরে।

পোইরৈঙানবী :- (ফোন রিং লাকপা) এ ! ফোন অমা লাকমাল্লে, ঐঙোন্দরনে... হুম ঐগী ফোনদদি নৎতে, নঙোন্দা ওইরমাল্লে অমুক্তা য়েংঙো।

চীংথংখোম্বা :- হায়মা ঐখোয় দাদানিনে... হল্লো ... দাদা কৈদৌরগে।

সনাতোম্বা :- নঙবু হৌজিক কদায়দা লৈগে, ইমাদা ফোন তৌবনি ইমাদু সুংপাই পাইরক্তে।

চীংথংখোম্বা :- ঐ হৌজিক্তি য়ুনিভর্সিটিদা লৈ, ঙহাক লৈরদি য়ুমদা হল্লনি, করি হায়য়ু হায়বনো।

সনাতোম্বা :- নঙদি য়ুনিভর্সিটিদা কৈদৌরিবা, নঙবু ঐনা ফিজিকেল ইদুকেসনদা মষ্টর তৌথোকউ হায়বসু য়াদ্রগা, নঙদি করি তৌবা চৎলিবা।

চীংথংখোম্বা :- অস ! ঐখোয় দাদাগী হৌনবী হৌরকঅদৌনি, মষ্টর তমদ্রদি য়ুনিভর্সিটি চৎপসিবু য়াদ্রবরা হায়বা?

সনাতোম্বা :- য়াদে হায়বগী ৱা নৎতেনে, চহি মাংহন্দুনা লৈদৌ শরুক নহান্না এদমিসন তৌরল্লবদি হন্দক চহিসিদদি নঙ মষ্টর লোইরগদবনিদো, মতম পাম্মুই হায়বগী ৱানিদা।

চীংথংখোম্বা :- ঐ হন্দকসু অমুক শান্নবা চৎলদোইসিদি অদুনা লাইরিক মখা তমথবা ফরক অমা তাখিবদগী তৌবনিবা, অদো করি হায়গে হায়বনো, ইমাদা করি হায়য়ু হায়বনো?

সনাতোম্বা :- ঐ হন্দক্কী হাপ্তাসিদা য়ুমদা থোরক্কনি হায়গে তৌবনি, ইমাবু মশা ঙমদে হায়দু খা ফরব্রা?

চীংথংখোম্বা :- উম খরা ফরে, তাচৌ থোরক্কনি হায়রদি ইমা নাবা পুমফা ফরনি, অদো তাচৌ ঐগী ফোনসে য়াদরে, ফোন অমতা লৈবীরকউ।

সনাতোম্বা :- নঙগী ফোনসে ওন্থোক্লা তোয়না য়াখিদরে, অমসু ঐবু লৈবিখিবা কুইখিদ্রিবদাই ... হোয় হোয় লৈরক্কে, লৈরক্কে... ইমাদো মথন্তা কুইনা কুইনা থাদোক্তুনা থমগনু য়ুমদা হল্লো।

চীংথংখোম্বা :- হোয় তামো ঐ থুনা য়ুমদা হন্নবা তৌরগে, অদো ঐগী ফোন লৈরকপা কাওনিকো।

সনাতোম্বা :- কাওরোইদা কাওরোইদা, অদুদি ঐ ফোন থমমেকো।

পোইরৈঙানবী :- মী মচাদি ময়াম্বা লৈজবনিনা ফোন অহনবা অমা ফংদোরেকো, ঐনা অসুক কুইনা ফোন অমখক পাইরকপসি নুংঙাইতরে অহনবা অমতা শীনবিয়ু হায়ববু ঐখোয় বাবাদি সুংয়া য়াদে, মবুক য়াম ফৎতে, নোয় দাদাদি য়াম ফৈকো।

চীংথংখোম্বা :- ঐগী হন্দক ঐখোয় দাদানা লৈরক্কদৌরিবা ফোনসে নঙগী ওইজরো নঙ লৌজরো।

পোইরৈঙানবী :- লৌজরোই লৌজরোই মীগী মপোৎকা অমতা পামজদে ঐ, ঐগীসু অদুম ইশানা লৈজগে, ঐগী স্কোলরসিপকী পৈশা ফংলকান্দা।

চীংথংখোম্বা :- ঐগী পোৎতি নঙগী নৎতরা হায়রিসিবো, নঙদি ঐগী মীগী য়াম নাইনা, ঐসিবু মীতোপতৌনা খল্লিদুবু করিগীনো।

পোইরৈঙানবী :- নঙগী পোৎপু ঐগী কমাই ওইদোইবা, ঐগীনা ঐগী, নঙগীনা নঙগী, ঐ চৎলে চীংথংখোম্বা, মেদাম শখিগী ক্লাস হৌদোরল্লনি, ঐ চৎলেকো।

চীংথংখোম্বা :- অমুক্তা ঙাইখোও পোইরৈঙানবী, ঙাইখো হায়বনি ৰা অমতা হায়হৌখিগে (তান্নখিবগী মওং)।

-ম্যুজিক-

(মফম: নিংথেমগী য়ুম, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক-ৰায়ানা খোংবগী মখোল)

সনাতোম্বা :- (মথন্তা ঙাংজবা) ঐনা চংঙকইবা য়ুমসিবু সার নিংথেমহোয়গী য়ুম চুল্লজাৎলনে, মীনা তাক্লপদুগা হায়রদি চুল্লমদৌবা মাল্লিদা, কনামতবু লৈবা উদেনে, ঐবু কৌরগা হেক্তা য়েংলসিরা...। সার... সার... সার নিংথেম... সার নিংথেম লৈবিবরো... হো সার ...।

নিংথেম :- (ৰাঙ্কিং চৎলুবা হঞ্জিললকপা) আ কনা উন্নবীগদবা... হায় নঙবু সনাতোম্বা নৎতরনে, কনা উনবা লাকপনোনে নঙবো?

সনাতোম্বা :- মানি সার ঐ সনাতোম্বনি, ঐ ঙরাং য়ুমদা থোকচরকপনি, সার উন্নজগে হায়দুনা লাকচরিবনি সার, সারহোয়না শেন্বীরকপদগী ঙসি ঐ মায় পাকপা মীওই অমা ওইজরিবনি।

নিংথেম :- সনাতোম্বা ! ঙসি নঙনা ঐগী ইনাক্তা লাকপসে ওন্থোক্লা নুংঙাইরে, ঐসু নঙবু অমুক্তং উন্নদুনা নঙোন্দা থাগৎপা ফোঙদোক্কে খল্লমলিবনিনে, নঙনা মশক নাইবা মীওই অমা ওইরকপসে সার নুংঙাইরে, হায়ফম খঙদনা নুংঙাইরে। মেমচৌবী ... পোইরৈঙানবী... নোয়বু কদায়দা লৈগেনে লাওনে মাঙ্গোলদা থোরকউনে কনানোম্মা লাকইনে নোয়বু তারবো...।

মেমচৌবী :- মোয় বাবা কনা লাকই হায়বনো, করি তৌবা য়াওরগে অদুক কন্না কৌরিদুবো।

নিংথেম :- অমুক হংদুনা লৈত্রসু মপান্দা কোক থোল্লক্লগা য়েংলরো লাও ইমুংদা করি তৌরিগে নঙবো।

মেমচৌবী :- (থোরকপা) কনানোনে লাকইবো, হায়মা ইবুংঙোবু... আ সনাতোম্বা নৎতরনে, হন্দক ইবুংঙোগী ফোটো খবরদা চাওনা য়াওখিবদো, য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্ড ফংবগী।

সনাতোম্বা :- অহোয় মানি, সার উনজগে হায়দুনা লাকচবনি।

মেমচৌবী :- ফরেদা ইবুংঙো লাকপা নোয় সারনা ইবুংঙোদা শোন্দুনা লৈ, অফবা ছাত্রা হায়বসিদি ওজানসু সুংকাও কাওদবনি, নোয় সারনা ইবুংঙোবু ওন্থোক্লা নুংশিজবনি।

সনাতোম্বা :- সারনা শেন্বরিকপদগী ঐনা ঙসি মীরক তীনবা ঙমজরিবনি। সারগীনি হায়দুনা ঐনা ফৈজোম অমগা সাল অমগা লৈজরকই, সি অমুক্তা লৌশিনবীয়ু সার।

নীংথেম :- করিগী লৈরক্লিবনোনে, নঙনা ঙসি সারবু নীংশিংদুনা উনবা লাক্লিবসিমুক নুংঙাইবা লৈতরে, পুন্সিদা মথং-মথং মায় পাক্কুনা মীকোক থোংবা ঙম্বা ওইয়ুকো, না য়েক্কনু পুন্সি নুংশাংনা হীংদুনা মালেম পৃথিবী অসিগী থবক থৌরম কয়াদা মায়য়োং য়াবা ঙম্বা ওইয়ুকো।

সনাতোম্বা :- সারগী থৌজালদগী পুম্নমক ঙম্বা ওইজগে, অদো সার ঐ সারদা ৱা অমতং হায়জগে।

নিংথেম :- করি ৱানোনে সনাতোম্বা নঙনা হায়নিংবা পুম্নমক হেক্তা হায়য়ুনে।

সনাতোম্বা :- ঐ মতম খরদি মফমসিদা লৈজখিনি, ঐনা পুনেদা চৎত্রিঙৈসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা ওপন দিসকসন অমখক পাংথোকচনিংঙি, সারনা অমুক্তং শিনবীনবা হায়জরি।

মেমচৌবী :- ইবুংঙোনা হায়রিবা খন্না নৈনবগী থৌরম অদুদা ইমাহোয়সু য়াওবা য়াগদরা।

সনাতোম্বা :- করিগী য়াদদগে ইমা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াবা য়াই। (গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল)।

নিংথেম :- ইবেন্মা নঙদি ঙন্তানা কদায়দা চৎলুরিবা, নবুং লাকইসি উন্নরো লাওনে।

পোইরৈঙানবী :- চীংথংখোম্বনা ঙরাং দাদা সনাতোম্বা থোরক্লে হায়রকপদুদা ঐদি ঙন্তানা দাদা উনগে হায়দুনা দাদাহোয়দা চৎলুবনে, দাদাদি ঐখোয়দা ওইনা লৈরম্লে, দাদা লাকপা কয়াম কুইরগে। চীংথংখোম্বসু ঐগা লাকমীন্নরবনি ঐখোয়দা চৎলুরসি হায়দুনা।

মেমচৌবী :- ইবুংঙো চীংথংখোম্বা ! লাকও লাকও চংঙকউ লাকও, সে সে মোরাসিদা হেক্তা ফম্লোসে, ঐ চা লোল্লুখিগেকো নোয় ময়াম ৱারী শারম্মুকো।

নিংথেম :- চাদু খরা হাওনা লোল্লকউ, সনাতোম্বা নঙনা ঙসাই হায়খিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা খন্না নৈনবগী প্রোগ্রাম অমা পাংথোকসি হায়বদু ঐখোয় কোলেজদা ওইনা হেক্তা শিল্লগে ঐ, ছাত্রা ছাত্রীশিংনা নঙনা ইন্টররেক্সন তৌনবগী তাঞ্জা অমসু ফংজহৌনবা।

পোইরৈঙানবী :- দাদা উনবা ফংজবসে য়াম্না নুংঙাইরে, ঐদি দাদা থবক য়াম্না চীনবনিনা উনবা ফংলরোইদরা খল্লুরবনি। অদো দাদা কৈনোমতা হংহৌগেনে।

নিংথেম :- করিনোনে নঙনা হংগে হায়রিবো, ঐনা খঙবা ওইরদি হেক্তা খুল্লগে হায়দুনা রেদি লৈরবনি হঙনিংবদা হংঙো।

চীংথংখোম্বা :- পোইরৈঙানবীনা হংবা ৱাদি কান্নবা ৱা ঙাক্তনিদা, ঐখোয়সু তাশিনবা কান্নগদবা ঙাক্তনি।

পোইরৈঙানবী :- ঐনা হংদ্রিঙৈদা নঙনা লোয়না খংলবোরে, অদুওইরদি ৱাদু নঙ ওইনা হংলোদনা।

চীংথংখোম্বা :- (তপ্পপ হায়বা) কৈনোনে মসিবো মীনা সুম ফাগী তৌরগা, ময়াম মমাংসিদা... ইকাইদরা হায়বা।

মেমচৌবী :- ময়াম চা পুরকএ, চা থকঅসি... সে ইবুংঙো সনাতোম্বা ... সে সে চীংথংখোম্বা নঙগা পোইরৈঙানবীগগী সিদা লৈরেসে, মোয় বাবাগীসু লৈজরে।

নিংথেম :- পোইরৈঙানবী নঙনা নবুংদা হংনি হায়বা ৱাশিংদু হংহৌরোদনা মতমসে থেংজিল্লক্লে ঙহাক লৈরদি থবক চৎলগে হায়নরকঅনি।

পোইরৈঙানবী :- তামো মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ, নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা অহোংবা কয়া থোরক্লে, মাসিদগী ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদা অৱা চৈথেং কয়া ফংলকপদা নৎতনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা ফাওবা মালেম পৃথিবী অসিদা চহি খরগী মতুংদদি ঙল্লকলরোই হায়বগী অকিবা মীপাইবা পোক্লরবনি।

সনাতোম্বা :- উম ৱাফম অসি মীপুম অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফম অমনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা অৱাবা কয়া মায়য়োক্নহল্লক্লি হায়বসি ঐখোয়না য়াদবা ঙল্লরোইদবা ৱাফম অমনি।

পোইরৈঙানবী :- অদুবু দাদা ঐনা হন্দক সাইন্স জর্নেল খরদা পোজিটিভ ইম্পেক্ট ওফ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বা টোপিক খরা থেংনৈ, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবশিং অদুগী মরমদা খরদং তাকপীয়ু দাদা।

সনাতোম্বা :- করিগুম্বা থৌদোক অমা নৎত্রগা থবক অমগী কান্নবা অমদি কান্নদবা হায়বা মরম অনি মতম পুম্নমক্তা লৈগনি। অমাংবা শরুক্লা হেল্লগনা কান্নদবা অমাংবনি হায়না লৌনৈ অদুগা কান্নবা শরুক্লা হেল্লগনা কান্নবা অফবা তোংজবা থবকনি হায়না লৌগনি। অসুম্না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মালেমসিদা থোকহল্লকপা অমাংবা অকায়বা কয়াশিং অসিবু ঐখোয়না লাইনা লৌবদি লানগনি।

নিংথেম :- অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী নোংজুগী চাংদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরক্তুনা লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্তা অকায়বা ওইরকপা লায়না তিলনা কয়া শন্দোরকপা, ইকং থোকপগী অৱাবা, ইচাও থোকপগী অৱাবা কয়া থেংনরকপা হীরম কয়া অমা ঐখোয়না থেংনরক্লি মায়োক্নরক্লি হায়বসিদি পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনিদা নৎতরনে ইবুংঙো চুম্বু চুমদ্রবরনে ঐনা হায়রিবসিবো।

সনাতোম্বা :- অচুম্বনি সার, অদুগা সার ঐখোয়না ইংমনবদগী মী শিংবগী চাং ৱাংলম্বা অদু গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী নিংথম থাগী মতম তেনশিনলক্তুনা ইংবদগী মীশি মীনা থোকলম্বগী চাং হন্থরকপা অসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা পীরকপা পোজিটিভ ইম্পেক্ট অমনি হায়না খন্নবসু য়াই।

চীংথংখোম্বা :- অদুদি তামো নোংগী চাং ৱাৎনা তারম্বা মফমশিংদা নোং তাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী কান্নবা পীরকপনি হায়গদরা।

সনাতোম্বা :- করিগুম্বা মরম খরদদি চুম্মী হায়না লৌবসু য়াই অদুবু লোয়নমক চুম্মী হায়না লৌবদি লানগনি। হৌজিক মীওই কয়ানা রিছার্চ তৌদুনা ফংলকপা দাটাশিংগী মতুংইন্না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মফম খরদদি চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়রি।

মেমচৌবী :- করিনোনে ইবুংঙো হায়রিসিবো শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী মহৈ-মরোং পুথোকপগী চাং হন্থরক্লে হায়না হায়বদাইনে।

সনাতোম্বা :- অহোয় ইমা, শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মহৈ-মরোংদা লায়না তাবগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা অমাংবা কয়া থোকহল্লি অদুবু করিগুম্বা হীরম খরদদি কান্নবসু পী।

নিংথেম :- হোয় অদুবুদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি নেচরেল ফেনোমেনন অমনি হায়না লৌনরিবনি, মসিনা মতম মতমগী অইং-অশাদা অহোংবা নাইহনলিবনি।

পোইরৈঙানবী :- দাদা ! গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা টেম্পরেচর ৱাংখৎলকপদগী ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না থাদোরক্তুনা, ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না য়াওবা নুংশিৎকী শরুকশিংনা অশাবা অমদি অকংবা লমগী শরুকশিংদা নোং কা হেন্না চুহন্দুনা উ-ৱা মতিক চানা হৌবা উমংশিং ওইহনবদা মতেং পাংঙি হায়রিসু অচুম্বরা।

সনাতোম্বা :- অচুম্বনি, খুদম ওইনা হায়রবদা অমাজোন ফোরেষ্ট অসিসু অমনি।

চীংথংখোম্বা :- অদুদি দাদা, কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা এটমোস্ফিয়ারদা য়াওরকপসিসু পাম্বীশিংদা কান্নবা ওইহনবরা, কার্বোন ফুট প্রিন্ট ৱাখৎলকপনা মহৈ-মরোংগী পোৎথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংবরা?

সনাতোম্বা :- মালেমসিগী ইকোসিস্তেমগা গ্লোবেল ৱার্মিংগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ, মতম অমদা চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংদা মালেম অসি ঊনতনা কুপশিন্দুনা লৈবা মতম আইস এজ হায়দুনা লৈরম্মী, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা ঊনগী শরুকশিং অদু শৌদোকখিদুনা পাম্বী অমদি শা-ঙা কয়া লৈবা য়াবা মফম ওইহল্লকখি।

মেমচৌবী :- ইবুংঙো চহি চা কয়াগী মমাঙদা মালেম পৃথিবী অসিদা য়াম্না শাবগী মতমসু লৈরম্মী হায়দাই।

সনাতোম্বা :- লৈরম্মী ইমা, হৌজিক লৈরিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসন অসিদগী য়াম্না হেন্না শাবা মতম অমদি য়াম্না হেন্না ইংবা মতমসু লৈরম্মী, জিওলোজিকেল টাইম স্কেলগী মতুংইন্না ইওশিন হায়রিবা মতম অসিদা মালেম পৃথিবী অসি য়াম্না শারম্মী হায়।

নিংথেম :- হৌজিক মালেমসিদা শাবা হেনগৎলকপদগী পোলর রিজনশিংদা লৈবা ঊনগী শরুকশিং কা হেন্না শৌদোরক্তুনা সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় ৰাংখৎলকপদগী, সমুদ্র মপান নক্লা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনলক্লি হায়নসু সাইন্টিষ্ট কয়ানা ফোংদোক্লবা থেংনখরে।

সনাতোম্বা :- পুম্নমক অচুম্বা ৰাফম ঙাক্তনি সার, ইং ২০০৯ অদুৱাইদগী মালেমগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলক্লে হায়বা ৰাফম অসি অয়াম্বনা য়ানরবা ৰাফমনি, হৌখিবা চহি ১৫০মুক লোমগী মমাংদা লৈরম্বা টেম্পরেচরদগী হৌজিক চাওরাক্লা সেলসিয়স ডিগ্রী ০.৮ রোম হেনগৎলে হায়না পানরি অদুগা ইং ২০৮০ রোম ফাওবদদি চাওরাক্লা সেলসিয়স ডিগ্রী ২.২ রোম হেনগৎলগনি হায়রি।

পোইরৈঙানবী :- অদুদি মলেমসিদা লৈরিবা ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপগী চাংসু ৰাংখৎলকপা তাবনিকো দাদা।

সনাতোম্বা :- অচুম্বনি অদুগনা গ্লোবেল ৰার্মিং অসি কংফাল লমগীদমক্তদি য়াম্না মাংজবনি অদুগা সমুদ্রগী ওইনদি কান্নবনিসু হায়নরিবনি।

মেমচৌবী :- করিনোনে ইবুংঙো নঙনা হায়রিবা ৰাদুবু ইমাদি গ্যানগা অমত্তা তাদরেদা।

চীংথংখোম্বা :- সিনিদা ইমা, গ্লোবেল ৰার্মিং ইজ কর্স ফোর লেন্দ এন্দ এ বুন ফোর সি, হায়বনিদা।

মেমচৌবী :- অস ! নঙনা হায়রিবদুনা অমুক্কা হেন্না চমমনরে ঐদি, হেন্না বুদ্ধি মমশিনলক্লে।

সনাতোম্বা :- সিনিদা ইমা, ঊনগী শরুক য়াম্না হেন্না শৌদোরক্লবনিনা সমুদ্রগী ঈশিং লম্বীশিং ঊন মপাক মপাক কয়ানা থিংজিন্দুনা চৎপা য়াহল্লমদবা আর্টিক ওসিনগী মফমশিংদা ইরায় লাইনা জহাজশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারবনিনা ললোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদদি য়াম্না হেন্না কান্নবা ওইহল্লে অসিনিদা, কান্নবা ফংহল্লে হায়বনিদা।

নিংথেম :- অদুবু ইচাশা মালেমসিদা গ্লোবেল ৰার্মিংনা ঐখোয় থৱায়পানবশিংদা পীরক্লিবা অৰাবা চৈথেংশিংসিদি ঐখোয়না লায়না খন্দোকপদি অরানবা ওইগনি।

সনাতোম্বা :- সারনা হায়রিবা ৰাফমশিংদু য়াম্নমক চুল্লবা ৰাফমনি অদুনা হৌজিক মালেমসিদা লৈরিবা অখণ্ড-অহৈ লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া অমদি লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়ানা খুৎশম্নদুনা গ্লোবেল ৰার্মিংদগী ঙাকথোক্লা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলিবনি।

মেমচৌবী :- ইচা সনাতোম্বগা ঙসি উন্নদুনা ৰারী শাবসিদি ওম্থোক্লা নুংঙাইখরে, পুক্নিং-লৌশিং ওইবা য়াবা ৰাফম ময়াম অমসুং ইচাদগী খঙহৌরে।

পোইরৈঙানবী :- দাদা ঐসু দাদাগী নাক্তা পুনেদা লৈদুনা রিছার্চ ৱার্ক তৌবা য়ারোইদরা, ঐদি রিছার্চ ৱার্ক মথং-মথং তৌদুনা ঐসু দাদহোয়দৌনা সাইন্টিষ্ট ওইনিংঙি।

সনাতোম্বা :- করিগী য়াদনি, নঙগী হন্দক্কী ইগজামসে লোয়রগা মখা রিছার্চ তৌথনবদুদি ঐ য়ানবা শিল্লক্লগে।

নিংথেম :- ইচা চীংথংখোম্বসু এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ য়াওরুনবগী ট্রাইয়েল চৎকনি হায়গুম তাই চুম্বরা।

চীংথংখোম্বা :- হোয় পাবুং, ঐসু মথং থাদা চৎলনি, ঐসু চৎখ্রদি ইমানা মতোমতা করম হায়না লৈহৌগনি খল্লুবদা ঐসে অমুক চৎলগুমসিরাসু খল্লিবা।

মেমচৌবী :- এ ! করিগী চৎলোইদৌরিবনো, চৎকদবনি নঙসু, নঙগী শান্নবদু মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি, ঐখোয় অসুক য়াম লৈরিসিদি ঐখোয়না য়েংশিনহৌরগা লোইরে।

সনাতোম্বা :- ঐসু মতম খরদি য়ুমদা লৈখিনিদা, ঐখোয় চীংথংখোম্বনা চৎখ্রসু ইমাসি ঐনা পুরগা মতম খরগা লম কোয়বা ওইনা পুনেগী মফমশিং য়েংহনগেসু খল্লি।

নিংথেম :- অদুসু য়াম্না ফবা ৱানি, হোয় মতম মতমদু য়ৌরক্ল খন্নবা হায়দুনি।

পোইরৈঙানবী :- দাদাহোয় চৎখ্রসু, ইমাগী নাক্তা ঐ লৈরুরসু য়াইদা, ঐ লৈরুগেকো ইমা।

মেমচৌবী :- হোয় হোয় মদুগী ৱাদু মতাং-মতাংদু য়ৌরগা খন্নরসি। অদো সনাতোম্বা... চীংথংখোম্বা নবানি চাক চারগা হল্লো।

নিংথেম :- হোয়নে ইচা অনিসি চোক পিজখ্রসি, ইপা ঙা লৈরুখিগে, হায় মেমচৌবী.... পোইরৈঙানবী... চাক পরপ পরপ থোঙ্গৎলম্মো, ঐ চৎলেহে ঙা লৈবা।

-ম্যুজিক-